# য়ুক্রেন লান ঃ কিভনা তকশিনমনবদগী য়ু এস অমসুং জর্মনিনা য়ুক্রেনদা লানগী অচৌবা টেঙ্কশিং থারগনি

ৱাশিংটন/বর্লিন, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ স্টেটসনা লানগী অচৌবা টেঙ্কশিং য়ুক্রেনদা থাননবা ৱারেপ লৌরে অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা হৌনবী মতুংইন্না য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা লাউথোক্লগনি হায়না ওফিসল সোর্সশিংনা হায়রি। জর্মনিসু য়ু এসকা মান্ননা য়ুক্রেনদা কিভনা পাল্লিবা টেঙ্কশিং থাননবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

খোঙথাং অসিনা রসিয়াগা শোক্লরিবা লাল অসি মায়োন অমদা লাকহল্লগনি হায়না কিভনা ফোঙদোকখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মশাগী চহী ৪৫ মপুং ফাগদবা শুপ্পগী পুং খরগী মাঙওইননা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদেমির জেলেন্সকিনা মিচংশিংদা য়ুক্রেনগী মিলিটরি পৱার হেনগৎনবা লৈবাক অসিদা অনৌবা টেঙ্ক ৫ দগী ১৫ ফাওবা থুনা পীরক্নবা কন্না তকশিনখি।

নুমিদাং খুদিংগী পাঙথোকপা ভিদিও এদ্রেসকী খুত্থাংদা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি মদুদি খুৎলায়শিং থারকপগী মতাংদা খন্নরক্লিবা অসি পন্থবা তৌদনা ৱারেপ লৌরগা লোয়শিনগদবনি। অসিগুম্বা



ৱারেপশিংনা টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা ঐখোয়গী দিফেন্স হেন্না মপাঙ্গল লৈহনগনি। মীচংশিংদা মথৌ তাবা টেঙ্ক মশিং ৱাৎতনা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ৱাশিংটননা য়ুক্রেনদা এম ১ অব্রাহম বেট্টল টেঙ্কশিং থানবগী প্রোসেস অমা হৌননবা শেম শাখ্রে। টেঙ্কশিং অদু থাবীরক্নবা কিভনা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জবদা নুমিৎ কয়ানি য়েৎতুনা লাক্লবা মতুংদা ৱাশিংটননা ৱারেপ অদু লৌরকপনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এসকী ওফিসল অনীনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

অহুমশুবা ওফিসল অমগী মতুংইন্না লাক্লিবা থা খর অসিগী মনুংদা য়ু এসনা য়ুক্রেনদা পুন্না টেঙ্ক ৩০ রোম সপ্লাই তৌরগনি। চৈরকসিদা জর্মন চাঞ্চলর ওলাব সোলজনসু য়ুক্রেনদা লেপর্দ ২ বেট্টল টেঙ্ক থাননবা অমসুং পোলেন্দগুম্বা অতৈ লৈবাকশিংসু অসুম্না য়ুক্রেনদা লানগী অচৌবা টেঙ্কশিং থাবা য়াহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না হীরম অসিগী মতাংদা নোলেজ লৈবা সোর্স অনীনা এজেন্সীদা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিবু ইহান হান্না ফোঙলিবা জর্মন মেগজিন স্পাইজরগী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সীনা হায়, জর্মনিনা য়ামদ্রবদা লেপর্দ ২ এ ৬ টেঙ্ককী কম্পনি অমা থাননবা থৌরাং তৌরি। কম্পনি অমদা মহৌশানা টেঙ্ক ১৪ লৈগনি। য়ু এস নত্রগা জর্মনিদগী ওফিসল কনফার্মেসন থোরকপা লৈত্রবসু লৈবাক অনী অসিনা লানগী মতমগা চুন্নরবা অচৌবা টেঙ্কশিং শোয়দনা থারক্লগনি হায়না কিভতা ওফিসলশিংনা থাজরি।

জেলেন্সকীগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেদ এন্দ্রিয়েরমাকনা টেলেগ্রাম পোষ্টকী খুত্থাংদা হায়খি মদুদি ঐখোয়গী হৌজিক লৈজরিবা টেঙ্ককী ক্রুনা শীজিন্ননবা অহেনবা টেঙ্ক কয়া মথৌ তারি। কিভনা থা কয়ামুক্কী মমাঙদগী নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা রসিয়ন দিফেন্স লাইনশিং থুগায়দুনা নোংপোক অমসুং খা থংবা শরুকশিংদা লৈরিবা ওকুপাইদ টেরিটোরি অমুক হন্না লৌশিনবা ঙম্নবগী পাঙ্গল লৈহন্নবা অনৌবা মখলগী লানগী টেঙ্কশিং পীরক্নবা তকশিন দুনা লাকখিবনি।

# পাকিষ্টানগী এক্স-ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ফৱাজ চৌধরি সিদিসনগী চার্জদা ফাখ্রে

ইস্লমবাদ, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
পাকিষ্টানগী হান্নগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ফৱাজ চৌধরি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাহোরদা ফাখ্রে। মহাক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিষ্টান (ঈ সী পি) না মীচেল অমনি হায়না লাউথোক্লবা মতুংদা ফাখিবনি।

পোল বোদি অসিনা চৌধরি পি টি আইগী চেয়রমেন ইমরান খান অমসুং হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অসদ উমারবু ঈ সী পিগী কেস অদুগী কন্টেম্পটগা মরী লৈননা সমন তৌখিবনি। হিয়ারিংগী নুমিৎ ৩ লক লেপখিবগা লোয়ননা রেস্পোন্দেন্টশিংদা মরী লৈনবা নোটিফিকেসনশিং পীখিবা লৈরবসু মখোয় অমত্তা ঈ সী পি লাক্তবদগী পোল বোদি অসিনা মখোয় অহুম্মক এবস্কোন্দরশিংনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মখোয়গী মায়োক্তা এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ইসু তৌখিবনি।

ঈ সী পিগী কেস অদুদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খান, চৌধুরি অমসুং উমারবু কন্সটিট্যুসনল ইন্সটিট্যুসন অমগী মায়োক্তা ভাইওলেন্স চত্থনবা ইথিল পী হায়না মরাল শিরি। রিপোর্ট খরগী মতুংইন্না পাকিষ্টানগী হান্নগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর চৌধুরি য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অঙনবদা



লাহোরদা লৈবা ময়ুমগী মপান্দগী ফাখি। ইস্লমাবাদকী কোহসার পুলিস ষ্টেসনদা ঈ সী পিগী ওফিসল অমনা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আর অমগী মতুংইন্না মহাক ঈ সী পিবু অমদি ইলেক্টোরেল বোদি অসিগী মেম্বর অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিং কিহল্লি হায়না মরাল শিরি। চৌধুরিগী ময়াম্বনসু মহাক লাহোরদগী ফাখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

মশক নাইরবা উকিল অমা ওইরিবা ফাইসাল চৌধুরিনা হায়খি মদুদি মহাক অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবা মতমদা নম্বর প্লেট অমত্তা হাপ্তবা কার ৪ দা য়ুমগী মপান্দগী পুখি। ঐখোয় হৌজিক ফাওবা ফৱাজ কদায়দা লৈবগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি। মহাক্কী মায়োক্তা রেজিষ্টর তৌবা এফ আই আরগী অকুপ্পশিংসু ঐখোয়দা খঙহন্দে। মহাকপু ফারিবসি ইল্লিগেলনি অমসুং ঐখোয়না মসিগী মায়োক্তা কোর্টতা থেংনগনি। অকুপ্পা ইনফোর্মেসন খরগী মতুংইন্না ফৱাজ চৌধুরি লাহোর কেন্টনমেন্টগী কোর্ট অমদা পুথোকখি। কোন্না ওথোরিটিশিংবু মহাক ফেদ্দরেল কেপিটেলদা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আরদুগী মতুংইন্না ইস্লমাবাদতা পুবগী অয়াবসু পীখি।

# চাইনিজ হেক্করশিংনা সাউথ কোরিয়াগী একাদেমিক ইন্সটিট্যুসন ১২ দা এটেক তৌখ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
চাইনিজ হেক্কিং গ্রুপ অমনা সাউথ কোরিয়াগী একাদেমিক ইন্সটিট্যুসন ১২ গী মায়োক্তা সাইবর এটেক অমা চত্থরক্নে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সাউথ কোরিয়াগী ইন্টর্নেট সেফটি ৱাটচ দোগনা ফোঙদোকখ্রে।

কোরিয়া ইন্টর্নেট এন্দ সিক্যুরিটি এজেন্সী (কে আই এস এ) না ফোঙদোকখিবদা এটেক্করশিং অদুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্সটিট্যুসন ১২ গী ৱেভসাইদশিং হেক তৌখি। হেক তৌখিবশিংদুগী মনুংদা জেজু য়ুনিভর্সিটি অমসুং কোরিয়া নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ এদ্যুকেসনগী দিপার্টমেন্ট খরাসু য়াওখি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্ট অমনা হায়রি মদুদি কোরিয়া রিছার্স ইন্সটিট্যুট ফোর কন্সট্রক্সন পোলিসিগী ৱেবসাইদ য়াওনা ৱেবসাইদ ১২ দুগী মনুংদা অয়াম্বা হৌজিক ফাওবা শীজিন্নবা য়াদনা লৈরি। কে আই এস এনা হায়রি অদুদি চাইনিজ হেক্কিং গ্রুপ অদুনা কে আই এস এ য়াওনা সাউথ



কোরিয়াগী এজেন্সী কয়াগী মায়োক্তা সাইবর এটেক চত্থরকপা য়ারি হায়না ৱার্নিং তৌরকপা লৈখ্রে।

তৌইগুম্বসু ইন্টর্নেট ৱাটচ দোগ অসিগী সাইটতদি সাইবর এটেক অদুনা শোকহনবা লৈতে হায়নসু কে আই এস এনা ফোঙদোকখি।

সাইবর সিক্যুরিটি টিম হায়না মশক তাকচবা চাইনিজ হেক্কিং গ্রুপ অদুনা থাংজ নুমিৎতগী লৈবাকপোকপা ফাওবদা সাইথ কোরিয়াগী এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন ৭০ গী কম্প্যুটর নেটৱার্কশিং মায় পাক্না কম্প্রোমাইজ তৌখি হায়না চাইনিজ হেক্কিং গ্রুপ অসিনা ক্লেম তৌখি। গ্রুপ অসিনা সাউথ কোরিয়াগী গর্ভর্ণমেন্ট অমসুং পব্লিক ইন্সটিট্যুসনশিংদগী হুবা জি গাবাইট ৫৪ দাটাসু ফোঙলগনি হায়নসু ৱার্নিং তৌখি। মিনিষ্ট্রি এফ সাইন্স এন্দ আই সী টিনা গর্ভর্ণমেন্ট এজেন্সীশিং অমদি ইন্দিভিজুএলশিংদা হেক্কিংগী ট্রেন্দশিং হেনগৎলক্লিবা অদুগী মায়োক্তা মিকুপ নাহুম শিংনা লৈননবা খঙহনখ্রে।

# সিট ৬ কি সেসনা প্লেন মাঙখ্রে

মনিলা, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
সিট ৬ কী ওইবা সেসনা ২০৬ প্লেন অমা নোর্থন ফিলিপিন্সকী প্রোভিন্স ইসাবেলাদা পাইখৎখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা থিবা খঙখিদ্রে হায়না লোকল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।


এজেন্সীনা লোকল রিপোর্টশিং পল্লদুনা হায় টেল নম্বর আর পি সী ১১৭৪ ওইবা এয়রক্রাফট অদু লোকল মতমদা নুংথিল পুং ২.১৬ তাবা মতমদা ইসাবেলাগী কাউরিয়ন সিটি এয়রপোর্টতগী পায়খৎখিবনি। প্লেন অদুগী পম্বুংনা সমুদ্র মপানগী টাউন মেকোনাকোননি।

এয়রক্রাফট অদুদা পাইলোট য়াওনা মীওই ৬ তোঙখি হায়বসি সিভিল এভিএসন ওথোরিটি ওফ দি ফিলিপিন্স (সী এ এ পি) গী লোকল ওফিসলশিংনা কনফার্ম তৌখি। টুগ্বেদারো প্রোভিন্সদা সী এ এ পিগী এরিয়া মেনেজর ওইরিবা মেরি সুল্লেন সাগোরসোরকী ৱারোল পল্লদুনা লোকল রেদিও চেনেল অমনা হায়খি মদুদি ওথোরিটিশিংনা নোংথক্তগী থিবগী থবক চত্থবদা অকায় অতোয়নচিংবা অমত্তা থেংনখিদে।

# য়ু এসকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট পেন্সকী য়ুমদা ক্লাসিফাইদ দোক্যুমেন্টশিং লৈরম্বা থেংনখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
হৌখিবা চয়োলদা য়ু এসকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট পেন্সকী ইন্দিয়ানাদা লৈবা য়ুমদা ক্লাসিফাইদ হায়না মার্ক তৌবা দোক্যুমেন্টশিং থেংনখিবগা লোয়ননা মহাক্না ক্লাসিফাইদ রেকোর্দশিং অদু এফ বি আইদা শীন্নখ্রে হায়না হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিগী এট্টোর্নিনা লেটর খরদা ফোঙদোকখ্রে।

এট্টোরনি গ্রেগ জেকোবনা জন্যুৱারী ৩০ দা নেসনল অর্কাইভসতা লেটর অমা থাদুনা দোক্যুমেন্টশিং অদুবু খঙহনখি। অদুগা জন্যুৱারী ২২ দা ইখিবা তোঙানবা লেটর অমদা এফ বি আইনা দোক্যুমেন্টশিং অদু লৌশিন্নবগীদমক হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিগী য়ুমদা চৎখি হায়বসি অর্কাইভসতা খঙহনখি। য়ুমদা ক্লাসিফাইদ দোক্যুমেন্টশিং লৈরল্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা মহাক হান্নগী মহাক্কী বোস য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট



দোনাল ট্রম্প অমদি হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগা মান্নবা ফীভম অমদা লাক্লে হায়রি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল ট্রম্প অমসুং হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী য়ুমশিংদা ক্লাসিফাইদ মার্কিংশিং য়াওবা দোক্যুমেন্টশিং থেংনখিবনি। জন্যুৱারী ১৮ দা নেসনল অর্কাইভসতা ইখিবা লেটর অদুদা জেকোবনা হায়খি মদুদি বাইদেনগী য়ুমদা মেটরিএলশিং অদু থেংনবগী পাউ ফংবদগী পেন্সনা মহাক্কী ময়ুমদা থল্লিবা রেকোর্দশিং অদু রিভিয়ু তৌনবা কাউন্সেল ইনগেজ তৌখি। কাউন্সেল অদুনা রেকোর্দশিং অদুগী মরক্তা সেন্সিটিভ নত্রগা ক্লাসিফাইদ ইনফোর্মেসন য়াওবা দোক্যুমেন্ট খরা আইদেন্টিফাইদ তৌখি হায়না জেকোবনা লেটর অদুদা ইখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ভাইস প্রসিদেন্ট পেন্সনা খুদক্তা দোক্যুমেন্টশিং অদু সেভ ওইনবা লোক তৌদুনা থমখি। মদু নেসনল অর্কাইভসকী মায়কৈদগী দোক্যুমেন্টশিং অদুবু হেন্দল তৌবগী মতাংদা মখা তাবা দিরেক্সন ঙাইবা ওইননি।

পেন্সকী কাউন্সেলনা ক্লাসিফাইদ হায়না মার্ক তৌরবা দৌক্যুমেন্টশিং অদুগী কন্টেন্টশিং রিভিয়ু তৌবা ঙমখিদে। জন্যুৱারী ২২ দা ইখিবা তোঙানবা লেটর অমদা জেকোবনা হায়খি মদুদি জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা ষ্টেন্দর্দ প্রসিজরশিং কান্থোকখি অমসুং পেন্সকী ময়ুমদা লৈরিবা দোক্যুমেন্টশিং অদু হকথেংননা পায়রগে হায়রকখি।

হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা য়াখিবগা লোয়ননা লোক তৌদুনা থল্লিবা দোক্যুমেন্টশিং অদু লৌনবগীদমক জন্যুৱারী ১৯ গী নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা এফ বি আইগী এজেন্টশিং ইন্দিয়ানাদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা লাকখি হায়না জেকোবনা ফোঙদোকখি।

# য়ুক্রেনগী খমেলনিসকি ন্যুক্লিয়ার প্লান্টতা পর্মেন্টে মিসন দিপ্লোই তৌখ্রে

কিভ, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
ইন্টরনেসনল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সী (আই এ ঈ এ) না য়ুক্রেনগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈরিবা খমেলনিসকি ন্যুক্লিয়ার পৱার প্লান্টতা এজেন্সী অসি পর্মেনেন্ট মোনিটরিং মিসন দিপ্লোই তৌদুনা লৈবাক অসিদা মসিগী রিপ্রজেন্টেসন লিংবা মপুং ফারে হায়না য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী ষ্টেট ন্যুক্লিয়ার রেগ্যুরেটরি ইন্সপেক্টরেটকী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, মিসন অদুগী মরুওইবা থবকশিংদি রসিয়া-য়ুক্রেন লানগী মরক্তা ফেসিলিটি অদুদা ন্যুক্লিয়ার অমসুং রেদিএসন সেফটি লৈহন্নবা হোৎনবা অসিনি। হৌখিবা চয়োলদা আই এ ঈ এনা মসিগী মিসনশিং অতৈ ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট অহুম হায়বদি ৱেষ্টর্ন য়ুক্রেনগী রিভনে, সাউথ য়ুক্রেনগী পিভদেনৌক্রাইনসক অমসুং অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা



চর্নোবিল প্লান্টতা লিংখি।

হৌজিবা কুমজা ২০২২ গী ওগষ্টতা আই এ ঈ এনা সাউদর্ন য়ুক্রেনগী জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়ার প্লান্টদা মসিগী মোনিটরিং মিসন থাখি। প্লান্ট অদু হৌখিবা মার্চতগী রসিয়ন ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরকখিবনি। য়ুক্রেনদা পুন্না ন্যুক্লিয়ার পৱার প্লান্ট ৫ লৈবগী মনুংদা ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট ৪ ফঙ্কসন তৌরি। কুমজা ১৯৮৬ কী এপ্রিল ২৬ তা ন্যুক্লিয়ার দিজাষ্টার অমা থোকখিবা চর্নোবিল পৱার প্লান্ট কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বর ১৫ দা মপুং ফানা সটডাউন তৌখিবনি।

# ইটলিদা ফ্যুইলগী মমল হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা ফুইল ষ্টেসন ওপরেটরশিংগী ষ্ট্রাইক কনশিনখ্রে

রোম, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
ইটলিগী ফ্যুইল ষ্টেসন ২১,০০০ গী শরুক মরি থোকপগী অহুমরোম থবক লেপখিবগা লোয়ননা পেট্রোল অমসুং দিজল দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগী নেসনল ষ্ট্রাইক লেপহন্নবা ওথোরিটিশিংনা অরোইবা ওইনা হোৎনখিবদা মায় পাকখিদ্রে।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, ষ্ট্রাইক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ তা হৌখিবনি অমসুং মদু অনৌবা প্রাইস দিসপ্লে রুলশিংগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎলদুনা কৌখিবনি। পুং ৬০ চুপ্পা চত্থনবা কৌখিবা ষ্ট্রাইক অদু ফ্যুইলগী মমলশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিঙৈদা থোক্লক্লিবা অনৌবা রুলশিং অদুগী মায়োক্তনি।

অনৌবা রুলশিং অদুগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিব্যুটরশিংনা মখোয়গী মমলশিংগী মপুং ফাবা ব্রেকদাউন খঙহনবগা লোয়ননা নেসনল প্রাইস এভেরেজ




শিংগী লিষ্ট অমসু থারক্কদবনি। খোঙথাং অদু মমলগী মতাংদা ট্রান্সপরেন্সি হেনগৎনবা অমসুং ফুইলগী মমল ৱাখন্না পঙশা শাগৎপগী ফীভম য়ারিমখৈ লৈহন্দনবগী পান্দমগা লোয়ননা লৌখৎখিবনি। তৌইগুম্বসু দিষ্ট্রিব্যুটরশিংনা হায়রি অদুদি অনৌবা রুলশিং অদুনা মখোয়বু হন্দক্তা ফ্যুইলগী মমলশিং হেনগৎখিবা থৌদাং লৌফম থোকপা এন্টিটিসশিং ওইনা উহল্লে।

রসিয়াদগী থাউ ইম্পোর্ট তৌবা লেপ্পগা লোয়ননা ফ্যুইলগী অনৌবা সোর্সশিং ফংনবা পান্দমগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অলজেরিয়াদা চৎপা খোঙচৎ অমগী মনুংদা ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর জিওর্জিয়া মেলোনিনা হায়খি মদুদি অনৌবা রুলশিং অদু ফ্যুইল ষ্টেসন ওপরেটরশিংদা অকায়বা পীনবা পুথোকপা নত্তে। হৌখিবা চয়োলদা গর্ভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংগা নেগোসিএসন চত্থরবা মতুং ষ্ট্রাইক অদু মতম খরা লেপখিবগা লোয়ননা মদুগী মতম খরা তেনশিল্লগা পুং ৪৮ দমক ওইহনবদা য়ান্নখি।

# কুরান মৈ থাখিবদগী টর্কিনা ট্রাইলেটরেল টোল্ক য়ৈথোকখ্রে

অঙ্করা, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দনা নাটোদা য়াওবগী মতাংদা টর্কিনা নোর্দিক লৈবাকশিং অসিগা ফেব্রুৱারী থাদা ট্রাইলেটরেল মিটিং অমা পাঙথোক্লবা লেপ্পল্লম্বদু য়ৈথোকখ্রে।

ষ্টোক হোমদা স্বিদিস গর্ভর্ণমেন্টনা এন্টি মুস্লিম ওইবা মীওই অমবু কুরানগী কোপি অমা মৈ থাবা য়াহনখিবগা মরী লৈননা টর্কিনা ট্রাইলেটরেল মিটিং অদু য়ৈথোক্লে হায়না লাউথোরকখিবনি।

হন্দক্তা মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা চত্থখিবা শাথিরবা কায়হৌবগী থৌওং অমদা দেনমার্ককী ফার রাইট ষ্ট্রাম কুর্স (হার্দ লাইন) পার্টিগী লিদর রাসমুস পালাদাননা স্বিদিস কেপিটেল ষ্টোক হোমদা লৈবা টর্কিস এম্বেসিগী মমাঙমক্তদা কুরানগী কোপি অদুবু মৈ থাখিবনি। টর্কিস দিপ্লোমেটিক সোর্সশিংগী মতুংইন্না লাক্লিবা ফেব্রুৱারীদা ব্রসেলসতা পাঙথোক্লবা লেপ্পলম্বা মীফম অদু অঙ্কারানা হায়জবদগী মতুং তারিক অমদা য়ৈথোকখ্রে। সোর্সশিং অদুনা মিটিং অদু করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদগে হায়বদুদি পনখিদে।

থৌদোক অদুগী মতুংদা স্বিদেননা নাটোগী মেম্বর ওইনবা হোৎনরিবা অদুবু টর্কিনা শৌগৎলক্কনি হায়বসিদি ষ্টোক হোমনা খল্লোইদবনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা টর্কিগী প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগাননা ফোঙদোকখিবনি।

কেপিটেল অঙ্করাদা কেবিনেট মীফম অমা লোয়রবা মতুংদা ইর্দোগাননা হায়খি মদুদি ঐখোয়গী এম্বেসিগী মমাঙদা অসিগুম্বা ফজদ্রবা থৌওং চত্থরকহনখিবশিং অদুনা মখোয়না পাল্লিবা নাটোগী মেম্বর ওইবগী ৱাফম অসি ঐখোয়না শোয়দনা শৌগৎলক্কনি হায়না খনবা লানগনি।

# মীওই ২২ তোংবা কার্গো জহাজ অমা সাউথ কোরিয়াগী জেজু ইথৎ মনাক্তা লুপখ্রে, মীওই ৫ রেস্ক্যু তৌখ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
হোংকোংদা রেজিষ্টর তৌবা ক্রু মেম্বর ২২ য়াওবা কার্গো জহাজ অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সাউথ কোরিয়াগী জেজু ইথৎ মনাক্তা লুপখ্রে অদুগী মতুংদা মীওই ৫ রেস্ক্যু তৌরে হায়না কোষ্ট গার্দনা ফোঙদোরক্লি।

কোষ্ট গার্দকী মতুংইন্না অতৈ মীওইশিং থিবগী থবক চত্থরি। উ পুদুনা চৎলিবা টন ৬,৫৫১ গী কার্গো জহাজ জিন টিয়ানদা চাইনিজ ক্রু মেম্বর১৪ অমসুং ম্যান্মারিস ক্রু মেম্বর ৮ য়াওখি। মখোয়না ইথৎ অদুগী সিয়োগৱিপো সিটিগী খা নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ১৪৮.২ লাপনা ঈশিংদা লৈরিঙৈ



অয়ুক পুং ৩.০৭ তাবা মতমদা দিষ্ট্রেস সিগনেল থারকখি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীনা কোষ্ট গার্দকী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি।

কোষ্ট গার্দ পর্সনলশিং চঙশিনখিবা মতমদা জহাজ অদু মপুং ফানা লুপ্লমখি। ক্রু মেম্বরশিং অদুগী মনুংদা মীওই ৫ অনকপদা লৈরিবা অতৈ জহাজশিংনা রেস্ক্যু তৌখি। কোষ্ট গার্দনা হৌজিক জপানগী মখোয়গী লেঙমান্নবশিংগা খুৎশম্নদুনা অতৈ মীওই ১৭ থিবা অমদি কনবগী ওপরেসন কন্না চত্থরি হায়না ওফিসলশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোষ্ট গার্দকী মতুংইন্না জহাজ অদু ইমর্জেন্সি লোকেসন সিষ্টেম অমা ওইরিবা ইমর্জেন্সি পোজিসন ইন্দিকেটিং রেদিও বিকন (ঈ পি আই আর বি) গী খুত্থাংদা দিষ্ট্রেস সিগনেল থাখিবা মতমদুদা ঈশিং মনুংদা লুপ্পা হৌখিবা মাল্লি। ভেসেল অদুনা মদুগী অহানবা দিষ্ট্রেস সিগনেল অদু অয়ুক পুং ১.৪৫ তাবা মতমদা দিজিটেল সেলেক্টিভ কোলিং সিষ্টেমগী খুত্থাংদা থারম্বা থেংনখি। মদুগী মতুং পুং ১ রোম লৈরগা জহাজ অদু কন্টেক্ট তৌবা ঙমখিদবনি।

# বাইদেননা ইন্দিয়ন-অমেরিকান অমা অমুক হন্না এন ৱাই দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট জজ ওইনা নোমিনেট তৌখ্রে

ন্যু য়োক, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ইন্দিয়ন-অমেরিকান এট্টোরনি অরুন সুব্রমনিয়নবু ন্যু য়োককী সাউদর্ন দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট জজ অমা ওইনা অমুক হন্না নোমিনেট তৌখ্রে। অলিসোন জে নাথনগী মহুৎ শিনগদৌরিবা সুব্রমনিয়ন ফম অসি পায়বদা কনফার্ম তৌবা তারবদি মহাক মতিক ময়ায় লৈরবা বেঞ্চ অদুদা সর্ভ তৌবা অহানবা সাউথ এসিয়ন জজ ওইরগনি।

সুব্রমনিয়নগী নোমিনেসন অদু অহানবা ওইনা কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বরদা হ্বাইট হাউসনা লাউথোকখি। মমাঙগী কোংগ্রেসনা মদু কনফার্ম তৌবা ঙমদবদগী হ্বাইট হাউসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী



নোমিনেসনগা লোয়ননা অতৈ দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট নোমিনেসনশিং অমুক হন্না খঙহন্নবগীদমক সিনেটতা থাখি।

পিটসবর্গতা লৈবা ইন্দিয়ন ইমিগ্রেন্টশিংগী ইমুং অমদা কুমজা ১৯৭৯ দা পোকখিবা সুব্রমনিয়ম হৌজিক ন্যু য়োককী সুসমান গোদফ্রি এল এল পিদা পার্টনর অমা ওইনা থবক তৌরিবনি। মহাক কুমজা ২০০৭ দগী মফম অদুদা থবক তৌরকখি।

সুসমান গোদফ্রিগী সুব্রমনিয়মগী ওনলাইন প্রোফাইন মতুংইন্না অরুন সুসমান গোদফ্রিগী মরুওইবা মখল মখাগী মেট্টর কয়াদা এক্টিভ ওইনা চেন্নখি। থবক মফমগী খেন্নবা লৈতনা অরুননা মফম খুদিংমক্তা মায় পাকপগী রেকোর্দ থমখি। প্রাক্টিসতা সুব্রমনিয়ননা মখল মখাগী কেসশিংদা প্লেন্টিফশিং অমসুং দিফেন্দেন্টশিং অনীমকপু রিপ্রজেন্ট তৌখি। মহাক ট্রাইএল অমসুং অপ্পিলেট লেভেল অনীমক্তা অরুবা সিভিল লিটিগেসনদা স্পিসিলাইজ তৌই। সিনেটর চার্লস সুমরনা অহানবা ওইনা ন্যু য়োক্কী সাউথদর্ন দিষ্ট্রিক্টকীদমক্তা সুব্রমনিয়নগী মীং হৌখিবা চহীগী জুনদা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনদা রিকমেন্ট তৌখি।